# কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী অমসুং কে পি এস সী মায় পাকখ্রে



**ইম্ফাল, জুলাই ১৯(ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংনা শীন্দুনা হৌজিক চত্থরিবা সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সী ৱাবগাই কাদাজিৎনা পি এফ সী তোকপচীং মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা পি এফ সী অমসুং কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুমওইনমক পি এফ সীগী ওইনা পাঞ্জল ২দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু কে ৱাই দল্লিয়ু এ সীনা পাঞ্জল ৫-২দা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা টি য়ু সী থোংজাও অমসুং কে পি এস সী ককচীংগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা কে পি এস সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ৩-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৬ অমসুং ৩৯শুবা মিনটতা জেমসনা অনী অদুগা ২৭শুবা মিনটতা শ্রিনিভাশনা অমা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা টি য়ু সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু কে পি এস সীনা পাঞ্জল ৩-২দা মায় পাকখিবনি।

# ট্রেনিং পীরুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯(ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২০দগী হৌরগা ২১ ফাওবা কোলকাটাগী বেলুর পব্লিক লাইব্রেরি ওদিটোরিয়মদা কোলকাটা দিষ্ট্রিক্ট থাঙ-তা এসোসিএসননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপন থাঙ-তা ট্রেনিং কেম্প ২০২৪দা থাঙ-তাগী স্পেসল ট্রেনিং পীরুনবগীদমক ওজা প্রেমকুমার ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ওজা অসিনা হায়রিবা ট্রেনিং কেম্প অসিখক্তগী নত্তনা ওল উত্তরাঞ্চল থাঙ-তা মার্সিএল আর্টস এসোসিএসননা থা অসিগী ২৫দা কোটৱার দিষ্ট্রিক্ট উত্তরখন্দদা পাঙথোক্কদৌরিবা থাঙ-তা ট্রেনিংদসু তাকপী-তম্বীগনি অমদি থাঙ-তা এসোসিএসন ওফ ভিশাখাপটনম অমদি থাঙ-তা এসোসিএসন ওফ অন্ধ্র প্রদেশ অনীনা খূৎশম্ন দুনা থা অসিগী ২৭ অমসুং ২৮ ফাওবা হরে কৃষ্ণ ফিটনেস জেন অগনমপুরি ভিশাখাপটনমদা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্ধ্র প্রদেশ ষ্টেট থাঙ-তা টেক্নিকেল ওফিসল এন্দ কোচেস ট্রেনিং কেম্প ২০২৪দসু থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চ্যেরমেন ওজা হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ট্রেনিং পীগদৌরি। ট্রেনিং অসিদা ইন্দিয়াগী থাঙ-তা পামজবা নহাশিংদা থাঙ-তা মহৈগী ফজরবা থকশি-খাশি, থৌগল্লোন, শা-লানগী মহৈ কাঙলোন্দা নৎতনা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা থুনা য়াঙনা শন্দোরল্লিবা অমদি পাম্নরল্লিবা থাঙ-তা স্পোর্টসকী কাঙলোনশিংসু তাকপী-তম্বীগনি। থাঙ-তাবু মালেমগী মীয়াম্না পামহনবা, মশক খঙবা মশান্না অমা ওইহনবা হায়বসি ঐখোয় খক্তনা হোৎনবদা মপূং ফাদে। মরম অদুনা ঐখোয়গী লৈঙাক্নসু অহেনবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# রেফরিশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯(ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসন (এ এম ভি এ)গী মীৎয়েং মখাদা বি বি সী ৱাংজিং খুনৌ, ককচীং দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা চত্থগদৌরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগীদমক রেফরিশিং এপোইন্ট তৌখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ডা. এল বালেশ্বরনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মতুংইন্না টুর্নামেন্ট অসিবু মপূং ফানা পাঙথোকপদা মতেং ওইনবগীদমক খনখ্রবা রেফরিশিং অদুদি এম ইবোতোম্বা মৈতৈ (নেসনল রেফরি), এল শান্তরাম (নেসনল রেফরি), কে ঐচ রাম (নেসনল রেফরি), সী ঐচ সনাজাওবা (নেসনল রেফরি), সী ঐচ মংলেম্বা (নেসনল রেফরি), ঈ ওজিৎ (নেসনল রেফরি কেন্দিদেট) অমসুং এল ভি রেংসুটঙম লমকাং (ষ্টেট রেফরি)নি।

খল্লবা রেফরিশিং অসিনা থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিদা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এ এম ভি এগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

VEHICLES / MACHINERY / PENSION LOAN AVAILABLE
(used vehicles exchange offer)

# 2/Wheeler : Classic 350, Hero Xtreme 160R, Jawa 350, Activa, Dio, Jupiter etc.
# 3/Wheeler : Diesel Auto, Petrol Auto, e-Rickshaw etc.
# 4/Wheeler : Eco Van, Super Carry, Tata ACE Gold, Jeeto etc.
# 4/Wheeler : Thar, Alto 800, Tata Nexon/ Punch/ Tiago + Luxury cars etc.
# Machinery : Stone Crusher items, Flex Printer, Rice Mill, Tyre Fitting set, Car Wash Machine set etc.
# 2/3/4 Wheeler used vehicles exchange গী offer পীজরি।
# State/Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা Pension Loan গী খূদোংচাবা পীজরি।

EMPLOYMENT NEWS
# Car Wash Helper, Tyre Fitting Helper, Chicken Centre অমসুং Poultry Farm গী মী (Boy) পামজৈ।


Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : 1) # 9362775475
2) # 9383154086

HL-B/8801/27/5-24/7(alt)













Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com